ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯸, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯶꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, দিসেম্বর ১৮, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৬১শুবা মশীং

# ময়াই কাবা দ্রগ ফাবা

## মীয়াম্না পাউ পীরকপদগী ফাবা ঙল্লিবনি হায়রিবসি অফবা খুদমনি

মালেমগী ওইনা চাউখৎ লমজেলদা মাঙজিল থাননবা মহৈ-মশিন, শু-নোম্বা অমসুং লল্লোন-ইতিক য়াওনা হীরম কয়াদা হিদান্নরিঙৈ চৈরক অসিদা মণিপুরদদি ময়াই কাবা দ্রগকী তমথিরবা লায়না অমা নাদুনা লৈরি। মসিনা খুন্নাই অসি চাউখৎ লমজেলদা মাঙজিল থাবদি লায়রদনা মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্দবগী ফীভমদা লাক্লি। কমদৌনা লমদমসিগী ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াদা ময়াই কাবা দ্রগ লাইচুহল্লকপনো হায়বসি অখঙ-অহৈশিংনা য়াম্না কুপ্না নৈননিংঙাই ওইরি। ইচম চম্না য়েংবা মীৎয়েংদা মশাগীতা খনবা খুন্নাইগী খন্দবা মীওই কাঙবু অমনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক লল্লোনবা অমসুং কনাগুম্বা খরনা খুন্নাই অসিগী মতিক ময়াই মাঙহন্নবগীদমক অতম্ননা ময়াই কাবা দ্রগকী শাফু পীননবা থৌরাং কয়া তৌরকপনি হায়না লৌবা য়াই। লমদম অসিগী ইচম চমজবা মীওই অমনা ষ্টেট অসিদা ময়াই কাবা দ্রগকী কেস অসি কয়া য়াম্না লৈরবগে হায়বা খঙদ্রবসু পাউচেশিংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক ওইরিবা ব্রাউন সুগর, দ্রগ, এস পি কেপসুল, দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট, হিরোইন, ওপিয়মনচিংবা নুমীৎ খূদিংগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফারে হায়বসি উবা ফংই। ফারিবা পোৎলমশিং অসি মণিপুরগী মপান্দা পুখিনবা ঙাক্তা নত্তে। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াদসু য়োনগদৌরিবনি। নুমীৎ খূদিংগী ময়াই কাবা দ্রগ ফারে হায়রগা দ্রগকী প্রোব্লেম অসি শোয়দনা লোইশিল্লগনি হায়বগী ৱাফম লৈরক্ত্রিবসি করম্না থোকহল্লকপনো হায়বদুসু ঐখোয়না নৈনদবা য়াদে। লোনা য়াদবা থবক তৌবা মীওই কয়াদি ফাবা ঙল্লগা দ্রগ লল্লোনবদা চেন্নবা মরুওইবা মীওইশিং করিগীদমক্তা ফাবা ঙমদ্রিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। মণিপুরদা লোন্না থুপ্না ময়াই কাবা দ্রগ লল্লোনবগী থবক তৌরিবশিং অসি খুন্নাই অসিদা লৈরিবা কনাগুম্বা খরনা নৎত্রগা ফমদোন ফম্নাইবা, অঙম-অথৌ খরনা চঙজফম পীরব্রা হায়বা ৱাহং অসিসু হংদবা য়াদ্রে। লৈকায় অমদা দ্রগ লল্লোনবনি হায়বা লৈরগদি লৈকায় অদুগী মীওইনা লৈঙাক্কা খুৎশম্নরগা নীংথিনা ৱারক-ৱাতেম্বা, মতুংদা অসিগুম্বা থবক তৌদনবা খঙহনবা অসি খুন্নাই অসিগী চৎন-লোনচৎনি। অদুবু ঙসিদি দ্রগ লল্লোনবগী লৈকায়না ফারগা ৱারকখ্রে হায়বগী পাউ তাবা ইফং ফংলক্ত্রে। অদুমকপু লোন্না থুপ্না লৈকায় খূদিংদা ময়াই কাবা দ্রগ য়োনবা কয়া লৈরব্রা হায়বসিদি পুন্নমক্না চিংনরবা ৱাফম অমনি।

মালেমদা কানি খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা লৈবাকশিংগী মনুংদা ম্যান্মারসু অমনি হায়বসি পুন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অফঘানিষ্টানগী হেক মথংদা অনীশুবা ওপিয়ম খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা লৈবাক ওইরিবা ম্যান্মারদা পোপী পান্বী মরাং কায়না থারি। ম্যান্মার, লাওস অমসুং থাইলেন্দগা তায়নবদা লৈবা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গলগা হেক থংননা ম্যান্মারগী কাচিন, নোর্থ শান, সাউথ শান অমসুং ইষ্ট শানদা ওপিয়ম মরাং কায়না পুথোক্লি। রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না নোর্থ ইষ্ট শানগী লৌমী অয়াম্বা পোপী পান্বী থাই হায়রি। ম্যান্মার লৈঙাক্না ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু লালহৌবগী অকনবা মফমনি হায়রিবা শান ষ্টেটতা পোপী পান্বী পাক শন্না থাবগা লোয়ননা ময়াই কাবা দ্রগ মরাং কায়না পুথোক্লি। ম্যান্মারগা থংননা লৈরিবা মণিপুরদসু দ্রগকী চৈথেং অসি ফংলি। ম্যান্মার অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎ কয়ানা দ্রগকী ইস্যু অসি পুন্না মায়োক য়ামিন্ননবা তোঙান-তোঙানবা মীফম কয়াদা খন্নখ্রে। অদুমকপু থবক ওইনা ওন্থোরকপগী মমিদি তাদ্রি। চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মণিপুরদা নুমীৎ খূদিংগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ময়াই কাবা দ্রগ ফাবা ঙল্লিবসি মীয়াম্না পাউ পীরকপদগীনি, মীয়ামগী মতেংদগীনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্কী ৱার ওন দ্রগসকী মখাদা মণিপুর পুলিস য়াওনা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা ময়াই কাবা দ্রগ লল্লোনবা কয়া লেপ্তুনা ফাগৎলক্লি। মসিগীসু মথক্তা ষ্টেট পুলিস ফোর্সনা ময়াই কাবা দ্রগ শুংফম কয়াসু থুগায়খিবা লৈখ্রে। অদুবু দ্রগকী কেসতা চেন্নবা মীওই কয়ামরুম মতিক চাবা চৈরাক ফংহনখিবগী ৱাফমদি লৈঙাক অসিনা ইপন-পন্দবগুম তৌরি। লৈঙাক্কী ৱার ওন দ্রগস অসি তশেংনা মায় পাকহনগে হায়রবদি মীয়ামগা পুন্না চৎমিন্নবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদে। মীয়াম্নসু ময়াই কাবা দ্রগনা পীরক্লিবা চৈথেং অসিদগী ঙাকথোক্নবা লৌবা য়াবা থৌদাং লৌহন্নিংই। মণিপুরদা ময়াই কাবা দ্রগ মপুং ফানা থিংসি হায়রবদি লৈঙাক, পুলিস, সী এস ও, মীয়াম অমদি মরী লৈনবা খূদিংমক্না পুন্না চৎমিন্নবা মথৌ তারি। মীয়াম্না পাউ পীরকপদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ময়াই কাবা দ্রগ নুমীৎ খূদিংগী ফাবা ঙল্লিবনি হায়রিবসি অফবা খুদমনি। মীয়ামগী থাজবা অদু মাঙহন্দনবা লৈঙাক্না অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সেসশিংনা মতিক চাবা থবক পায়খৎপসু মথৌ তারি।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### রিগ্যুলর সেক্রেটরি হাপসি, একাদেমি কনসি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা নবেম্বর ২৮, ২০২০দা থোকখিবা নোটিশ অমগী মতুংইন্না একাদেমি অসিগী রিগ্যুলর সেক্রেটরি অমা হাপকদৌরি। তাঞ্জা অসিদা ইম্ফালদা লৈবা লিটরেরি অমদি কলচরেল লূপ খরনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী সেক্রেটরিগী পোষ্ট অসিগী ইলিজিবিলিটি ক্রাইটেরিয়া খরদা শঙ্গীৎ নাটক একাদেমি ন্যু দেল্লিগীগা মান্নহনবীয়ু হায়না ওনরেবল গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বগী পাউ অমসু লৈরে। শঙ্গীৎ নাটক একাদেমিগী সেক্রেটরিগী এজ লিমিটতি ৪৫-৫০নি। পোষ্ট গ্রেজুয়েট অমদি চহী ১০দগী তাদনা রেসপোন্সিবল পোজিসন অমগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সপরিয়েন্স লৈগদবনি। অদুবু মতাং অসিদা পঞ্জনীংবদি, মসিগী চহী ৫০ হেনদ্রিবা, হৌজিক হৌজিকমক চহী ১০দগী তাদনা লৈঙাক্কী রেসপোন্সিবিসল পোষ্ট অমগা লোয়ননা লৈরিবা মী অমনা মহাক্কী থবক অদু থাদোক্লগা চহী ৩গীদমক লূপা ১৫৬০০-৩৯১০০-৬৬০০ স্কেলদা ওটোনোমস বোদি ওইরিবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি অসিদা পেন্সন স্কিমসু য়াওদনা করম্না এপ্লাই তৌরক্কনি? চিংনরিবদি, রিগ্যুলর সেক্রেটরি হাপত্রগা নুংঙাইবা কাঙবু খরনা থৈদোক-থৈজিন তৌদুনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিবু নমথনবা শীল্লিব্রা হায়বসিনি। ওর্গনাইজেসন খরগী সেক্রেটরি/প্রসিদেন্টকী খূৎয়েক খোল্লগা ওনরেবল গভর্ণরদা চে ইশিল্লিবসি রিগ্যুলর সেক্রেটরি হাপ্তনবা চত্থরকপা অরোনবা লাল্লোং মাল্লি।

মতাং অসিদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী চ্যেরমেন, ভাইস চ্যেরমেন, জেনরেল কাউন্সিল, এগজিক্যুটিভ বোর্দনা মুন্না ৱাখল তৌবীদুনা অথুবা মতমদা রিগ্যুলর সেক্রেটরি অমা খন্নবা চত্থ-বীরিবা হান্নগী থৌরাং অসি লেপ্পীগনু। রিগ্যুলর সেক্রেটরি হাপসি, একাদেমি কনসি।

*অদোমগী - সনসম ইরাবন্ত*
*ৱাংখৈ কোন্সম লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮

১) মণিপুরী সাহিত্যদা মশেক মঙাল নাইরিবা অইবা অমনা 'ফাগি ঙাইহাক নোক্নবা পোত্থানবা অয়াংবা মচল ওইবতা নত্তে অচুম্বা অমদি অশেংবা ফোঙদোক্নবা হক্লবা খূৎলায় অমসুনি' হায়রম্মী। অইবদু কনানো অমসুং মানা হায়রম্মীবসি (য়াওফম) কদাইদনো?

২) দি ফ্লেমিং স্বোর্দ ফোরএবর অনশিদদে হায়না অহানবা ওইনা ফোঙখিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা করি মমিং কৌদুনা কনানা হন্দোকপগে অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) অহানবা ওইনা মণিপুরগী মরমদা মণিপুরীদা (বঙ্গালি ময়েক্তা) ইবা লাইরিকসি করিনি হায়না লৌনবগে, অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙবনো?

৪) মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা পুথোরকপগে? অইবনা কনানো?

৫) "সুন তরঙগী মথক্তা/মৈরাগী মশক কুমনা/ঙান্নশানা লৈরিবী নঙবু/পায়মা ঐনা নুংচঙবী/তিল্লাং খোয়দাবীবু থোকলরে,/পেম্মা নঙবু কনানো?" য়াম্না শীংথানরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপা মতেকনি। করি শৈরেংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, যূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নুপীমচাশিংনা লাইরিক তম্বা ফংদবা, পূক্নুংদগী লৌথোকপীবা হ্যুমেন রাইট খোঙ্গাওনবনি

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

লমদম অসিদসু ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস দেগী থৌরম পাক-শন্না পাঙথোক্লখ্রে। অদুবু হায়রিবা থৌরম অসিদি মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অমবু নীংশিংদুনা পাঙথোকপা নীংশিং থৌরম অমদি নত্তে। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কুমজা ১৯৪৮গী দিসেম্বর ১০দা লৌখিবা ৱারেপ, করম্বা ৱারেপ হায়বদি তাইবঙ মীওইবগী শোয়দনমক্কী ফংফম থোক্লবা রাইট ময়াম অদুগীদমক নীংশিংবগী নুমিৎ পাঙথোকপদু নত্তে। কুম খুদিংগী হায়রিবা নুমিৎ অদুদা মীওইবনা হিংবদা থেংনরিবা অৱাবা, খুদোংচাদবা কয়াদু লৈতনবা ৱাফম কয়া খন্ন-নৈনবনি। অৱাবা, খুদোংচাদবা লৈহন্দবা হায়বসিগী ৱাহন্থোক্তি অতৈ করিসু নত্তে মীওইবা অমনা হিংবদা চঙবা তঙাইমক ফদনা চঙদবা য়াদ্রবা রাইট অদু ফংহনবা ঙম্নবা ৱাফম কয়া খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা দিসেম্বর ১০দা কুম খুদিংগী থৌরম পাঙথোকপনি। শম্না মীওইবনা থেংনবা অৱা-অনা ময়ামদু মসিনি-মসিনি হায়না চিন্না পন্দুনা হায়বদুখক নত্তে। অদুমাইনা অৱাবদু হায়রগা মীফম লোইশিনবদুদি থোইদোক্না কান্নদে খল্লি। থেংনরিবা অৱাবা ময়ামদুদি মীওইবা লোইনমক উবা ফংলি অমদি খঙবা ঙল্লি।

হ্যুমেন রাইট হায়বসিদি ৱাফম অমা-অনীখক্কী ৱাফম নত্তে য়াম্না পাক-চাউখ্রবা হীরম অমনি। অদুবুদি তাইবঙ মীওইবগী খুয়া তুশিৎনা হিংনবগী হীরমনিদনা। অদুনবু হীরমসি য়াম্না পাক চাউরিবনি। মী অমবু মরাল লৈতনা ঙম্মী হায়বগী মতাগুম ফাবা, পুনবা, ফূবিবা, চৈবিবা, হাৎপনচিংবা তৌবখক্তবু হ্যুমেন রাইট খোঙ্গাওনবগী ৱাফমখক্তা নত্তে। মখল য়াম্না য়ামখ্রে। অদুবু মথক্তা পনখিবা থৌওং খরা অসিখক্তবু হ্যুমেন রাইটকী ওইবা ৱাফমনি হায়না লৌনৈ। মীওইবনা থবক শূবা ফংদবা, চাবা, শেৎপা, লৈবা, মহৈ তম্বা ফংদবা, অনা-লায়েং, ফোঙদোক্লিংবা ৱা ফোঙদোকপা ফংদবা কয়া অসিসু হ্যুমেন রাইট খোঙ্গাওনবগী থৌওং অমনি। পূন্নমক অসি লোইনা খন্ন-নৈনবা হায়বদুদি ওইথোক্তে। অদুনা ৱাফম অমখক্তং পুখৎচরি। নুপীবু নমজা-নমথেক্নবা, অদুগা অমুক হাৎতোকপা, নুপীমচাশিংবু মহৈ-মশীন তম্বা ফংদবা, পূক্নুংদা লৈবা অঙাং নুপীমচাবু পূক্নুংদা অদুমক মাঙহনবা হায়বসি হ্যুমেন রাইট য়াম্না চাউনা খোঙ্গাওনবগী থৌওং অমনি। লমদম অসিদা চৎনরিবা মওং অসিদি নুপী পোকপা পাম্নদ্রে হায়বনি। নুপী পোক্লুরগা মহৈ-মশীন ৱানা মমা-মপানা তম্বীরুরগা ময়ূম পান্থোকখিনি, নুপা ময়ূমদা চৎখিবদা লোইনা পুখ্রনি, অপোকপা মমাগা পূন্না লৈমিন্নদুনা য়েংশিন-খোৎচিনবগী থবক তৌদে, মচানুপানা মমা-মপাবু কোন্দুনা লৈমিন্নবনিনা নুপানা হেন্না কান্নবা হেল্লি, নুপীদি থোইদোক্না কান্নদে হায়বা মওংদা লৈরি লমদম অসিদদি। মসি চৎনবা য়াবা নত্তে। অদুবু চৎনবা য়াদবা থৌওং অসি লমদম অসিদা কন্না চৎনবি অমা ওইরি। পূক্নুংদা লৈরিবী অঙাং নুপীমচা অদুনা তাইবঙপালদা খোঙদারক্লগা মীওইবা অমা ওইনা হিংনবগী রাইট লৈরিবনি। মপাঙ্গল কল্লি, তৌবা ঙম্মী, মমা-মপা কোন্দুনা লৈ হায়রিবা নুপা অদুগা শেন্বীবা য়াবা শেন্বীরগা নুপা ময়ূমদা চৎখি হায়রিবা নুপীদুগা তাইবঙপালদা হিংবগী রাইট চম মান্ননা লৈ। নুপাদনা রাইট হেন্না পীরকপা অদুগা নুপীদনা রাইট ৱাৎনা পীরকপা নত্তে।

তাইবঙ মপুনা অঙাং নুপানা মঙোন্দা পীরগে অদুগা অঙাং নুপীনা মঙোন্দা ওইনা পোকহল্লগে হায়দুনা শিনবা-লাংবা তৌবা নত্তে। মপু মাদি মীচং মীখায় নাইবা, করিসু য়াওবা নত্তে। মমা-মপা খুদিংমক্কী চাদা-নাউদাগী ঈ মরীদা য়াওরকপা থৌওং অমনা মরম ওইরগা মচানুপী/নুপা পোকপনি। মশামক্কী ঈদগী শমথরকপা চাদা নাউদাদুবু নুপীমচানি হায়বগীদমক পূক্নুংদা লৈরিঙৈদা মাঙহনখিবা হায়বসি হ্যুমেন রাইট খোঙ্গাওনবগী অচৌবা থৌওং অমনি। মশামক্কী মচাবু মশামক্না হায়বদি মমা-মপা অনীনা হাৎতোকপনি। মীনুংশি য়াওদবা থবক্তি মীওইবগী হ্যুমেন রাইট ফংহন্দবগী থৌওং অমনি। মীয়াম অমদি থৌওং অসি থিংবীনবা লৈতবগুম্না চত্থরক্লে। অদু ওইরবদি হ্যুমেন রাইট ফংহনবা ঙম্নবা চুনবা থবক লৌখৎকদবসি গভর্ণমেন্ট হায়বসিনা ওইরে। লোনা য়াদে হায়বা খঙনা খঙনা তৌবা মীওইশিং শোয়দনা চৈরাক ফংহনবগী থবক্তি গভর্ণমেন্টকীনি। অতৈ কনাগীসু নত্তে। মঙক কনবা মীওইশিং পাড়া তম্বীবগী লো ময়ামদি লৈঙাক্কী মখূৎতা লৈরিবনি। তাইবঙপালদা তাইবঙ মীওইবা অমা ওইনা হিংবা হৈনবসু হোৎনবা তাই তাইবঙ মীওইবা ওইনা পোক্লবদি। মসিগুম্বা হ্যুমেন রাইট ময়াম অমা খোঙ্গাওনরিবসি থিংনবনি ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনরিবসি। থৌরম অসিনা মরু ওইনা হায়রিবসি লৈঙাক্তনি। মরমদি লৈঙাকপগী লো কয়াদি মখোয়গী মখূৎখক্তদা লৈরিবনিনা। লায়েংবগী শিনফমসিদা লৈরিবা মী লোইনমক নৎত্রবসু মীওই কয়াদি পূক্নুংদা লৈরিবা অঙাংদু নুপানি/নুপীনি খঙদোকপা অমদি নুপী ওইরগদি মাঙহনখিবগী থৌওং চত্থরকপনা লৈঙাক্কী লৈরিবা লোনা মতিক চানা চৈরাক পীনবগীনি মালেম শিনবা থুংনা হ্যুমেন রাইটস দেগী থৌরম পাঙথোক্লিবসি। হোস্পিটাল, ডোক্টর, নর্স, মমা-মপা ওইবশিং চেন্নরবদি শক-মায় য়েংদনা চৈরাক পীবা মথৌ তারে। মদুখক্তদা নুপী ওইবীশিংনা তাইবঙপালদা নুপাগুম্না হিংনবগী রাইট লৈ হায়বদু খঙহনগদবনি।

নুপীমচাশিং পিক্লিঙৈদগী স্কুলদা মহৈ তম্বা চৎপা হায়বসি ফংদবা য়াদ্রবা রাইট অমনি। লমদম অসিদা লৈরিবা নুপীমচা কয়া য়াম্না লাইরিক তম্বা ফংদবা/ফংহনবা ঙমদবা কয়া য়াম্না লৈরবগে? লাইরিক তমদবা নুপীমচা কয়া অথাপ্পা চীং, খুঙ্গং অমদি চাওখৎপা ময়োল লমদা ফনা য়াম্না লৈরি। মসি করিগীনো হায়না থিদোকপা অমা চঙই। করিগীনো হায়বদা মসিনা নুপীশিংগী হিংবগী রাইট য়াম্না মাঙলি। লাইরিক তমদনা লৈরবা নুপীমচাশিং অসিনা করিগুম্বা মহৈ তম্বা তারবদি অচঙবা মী ওইবা ঙম্বা মী কয়া য়াওরক্তুনা ইমুং কয়াগী শেন্থোক লম্বী হেনগৎহনবা, মচা-মশু মী ওইনা শেম্বা ঙম্বা, লৈবাক্কী থবক-থৌরম কয়াদা শরুক য়াবা মী ওইরক্কনি। অদুবু মহৈ তম্বগী রাইট অদু ফংবা ঙমদ্রবনিনা নুপীশিংগী ফীভম ফৎচিল্লক্তে। মসিনা মরম ওইরগা নুপীশিং চহী নৌনা ময়ূম পাল্লি। মহৈ হৈত্রবদি শেন্থোক ৱাৎলে। শেন্থোক লৈত্রবা হায়বসি থবক তৌনীংঙাই লৈত্রে হায়বনি। মহৈ তম্লগসু লৈত্রবা, থবক শূবসু লৈত্রবা হায়বদু য়ৌরবদি করিদি তৌরগা লৈগনি? মতম লেনফম খঙদবনা নুংশি-নুংওলদা খোঙদারে। মদুনা চহী নৌনা ময়ূম পাল্লে। মচা ঙন্না য়াওরে। মচাগী মশীংসু য়াল্লে। চহী নৌনা শেন্থোকসু লৈতনা মচা য়াম্না পোক্লবনিনা মশা শোক্লকপদা ঙক্লিংঙাই ওইদে। শেন্থোক লৈতবনিনা নুপীনা মীরোলবা মতমদা মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবসু ঙমদ্রে। অনা-অয়েক য়াওবা হায়বসিনা নুংঙাইবা পুন্সি মরেল অমা ওইবা হায়বদুমদি ওইথোক্ত্রে। অদুনা শেন্থোক ৱাৎপদগী ইমুংদা খৎন-চৈনবা থোক্তুনা মহী লাংবা ইমুং হায়বদু ওইরে। তাইবঙ মীওইনা পোকপদা নুংঙাইফম লৈত্রে। মসিনদি ফংফম থোকপা হ্যুমেন রাইট হায়বদু ফংদ্রে। অদুনদি গভর্ণমেন্টনা স্কুল নিংথিনা থমদুনা নুপীমচাশিংবু মহৈ তম্বীনবা হোৎনদবা য়াদে। মসিদসু নত্তনা থল্লিবা স্কুল অদুগী মতমগা চুনবা লৈফম থোকপা মচাকশিং ফংহনবা তাই। মসিনসু লোইবা নৎত্রি মদুদি লমদম অসিগী লৈহাওগা চানবা পোৎথোক পুথোক্নবা থৌশিল, থৌরাং কয়া গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা চঙলি। পোত্থোক পুথোকপা হায়বসিদি তাইবঙ মীওইবনা থবক শূরগা ওইথোক্কদবনি। থবক ফংবা মশানা তাবনি, শেন্থোক লৈবা মশানা তাবনি। পোৎকী মমল হোংবা মশানা তাবনি। শেন্থোক লৈরবদি মমা-মপানা মচাশিং স্কুলদা মহৈ তম্নবা থারক্কনি। শেন্থোক লৈহনবা অমদি লাইরিক তমহনবা হায়বসি গভর্ণমেন্টকী থৌশিল ওইননবা হ্যুমেন রাইটস দেগী থৌরমদা খন্নরিবনি। লৈঙাক্কী নাকোং য়ৌনবনি থৌরম পাঙথোক্লিবসি।

ময়ূম পান্দ্রিবী নুপী লৈশাবী অমা হায়বসি মহাক্না খোয়দাজবা নুপা অমদা ময়ূম পাঞ্জনবা রাইট অদু পোকপদা য়াওরক্লবনি। মদুগী রাইট অদুবু কনাগুম্বা লমহেনবা, ৱাখল থেনবা নুপানা নমজা-নমথেক্নবীবগী থৌওং অসিবু লৈঙাক্না মতিক চাবা চৈরাক ফংহনবা অমদি করি মরমদগী তমথীরবা থৌদোক অসি থোক্লিবনো হায়বদু থিদোক্নবনি হ্যুমেন রাইটস দেগী থৌরম পাঙথোক্লিবসি। নুপী অদুনা খোয়দাজবা নুপাদা ময়ূম পাঞ্জগদবা অদু রেপ তৌবিবদগী মশাগী রাইট ফংহন্দ্রে। মসিগুম্বা কয়া অসি থোক্তনবা মরু ওইবা থৌদাংদি লৈঙাক্না হেন্না চাউনা লৌফম থোকই করিনা হায়ববু ৱায়েল-কাটি, শেল-থুম, মহৈ-মশীনগী চুপ্পি মখোয়গী মখূৎতা লোইনা লৈরিবনি। মদুবু মমা-মপা অমদি অঙাংশিংগী থৌদাংসু য়াম্না চাওখ্রপোৎনি। অমরোমদা লৈঙাক্না লোইনা য়েংশিনবা ঙম্বদি নত্তে। অদুবু স্কুল, কোলেজ, থবক ফংহনবা, পোত্থোক পুথোকপা, পোৎকী মমল হোংনা ফংহনবা হায়বসিনা লমদম অদুদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টকী মথৌনি। শেল য়াম্না তিংদনা অফবা মহৈ-মশীন স্কুলদগী তম্বা ফংহল্লবদি লায়রবা ইমুংদা পোকপী নুপীমচা কয়া লাইরিক তম্বা ফংবা ঙমগনি। গভর্ণমেন্ট স্কুলনা শিথরল্লগা প্রাইভেট স্কুলনা শেল য়াম্না ৱাংনা লৌরগা লিংখৎলক্লবদি লায়রবা নুপীমচাশিং মহৈ তম্বা ঙম্নদ্রে। মসিনা নুপীমচাশিংনা মহৈ তম্নবগী রাইট অদু ফংবা ঙমহন্দে। মসিগী থবক অসিদি লৈঙাক্না তৌবা নত্তনা কনানা তৌবা ঙমগনি। লায়রবা ইমুংদা পোকপী নুপীমচা কয়া স্কুল চৎনীংনা চৎপা ঙমদবা কয়া লৈরি। মসিনি হ্যুমেন রাইটকী কাঙবুনা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনরিবদু। রাইট ফংদবগী, অৱাবগী মরমদু ঙাক্তা খন্ন-নৈনবদু নত্তে তৌরিবসি। রাইট ফংহন্নবা, চুনবা থবক কয়া তৌনবা গভর্ণমেন্টতা পাউজেল অমা পীরিবনি। মমা-মপা ওইবশিং, খুন্নাইনদসু অচৌবা পাউজেল অমা পীরিবনি। মহৈ তম্ফম ফজনা মতমগা চুননা, শেল ইচঙ চঙদনা শাদুনা থম্বা হায়বসিনা মীওইবগী রাইট ফংহন্নবগী অচৌবা লম্বী অমা ওইরি। মথংদা মীওইবনা শীজিন্নদবা য়াদ্রবা পোৎ-চৈ শাদুনা পুথোক্লগা শেন্থোক লৈবা থবক ফংহনবা হায়বসিসু রাইট ফংহন্নবগী লম্বী অমা ওইরি। ●

# ফার্মরশিংগী পোত্থোক কদাইদা য়োনগদৌরি?

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

পোইনু থানা পানখৎলকত্রিঙৈ, পোইনু থাদা লাক্কদবা লৌরোক পান্থাদি চৎখ্রে। থোইনা কায়দে, চাওখৎলকপগী মতুংইন্না নুমিৎ মশীং তেনশিন্না লোকপা য়াবা অঙন-ফৌশিংগী মখল মশীং য়াম্না পুথোক্লকপননি। মমাঙঙৈদদি লৌরোক পান্থাসি শুপ্নগী পোইনু থা খক্তদা ওইরম্বনি। হায়নীংলিবসি, পোইনু থানা ঙন্না লোইশিনখিবগা লোয়ননা, হৌজিকসি লৌমী অয়াম্বনা মনা-মশিং, এঙ্খাং-নাপি থাবরোমদা ওইনা মায় ওনশিন্নরক্লে। লুরিবসি, শূজরগতা নুংঙাইজবা লৌমী (ফার্মর) ইচিন-ইনাওশিংনা পুথোক্লকপা মহৈ-মরোংশিং অমদি এঙ্খাং-নাপিগী পোত্থোকশিংসি লমদমসিদা য়োনফম লৈরকত্রিবসি মতম ফনা শাংজিল্লক্লবনি। "কুমসি কুমগী তাইনীংঙাই ফৌ কয়াম মরাং-কায়না চোংথোক্কনি অমসুং য়োন্নবা এঙ্খাং-নাপি, মনা-মশিংশিংনা কয়াম পুথোকহৌবা ঙমহৌগনি" হায়বসিতনা পাঙ্গল ওইজরিবা লৌমী ইচিন-ইনাওশিংগী পুন্সিনি। মতম কয়াদি কুইখ্রে, মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলসিনা ফম্নদনা, পোৎফম খুদিংমক ইহাঙ-হাঙদুনা লৈরক্লিবসি? মণিপুরদা, কৈথেলসিনা হিংহল্লিবা ইমুংশিংগী মশীংসি কয়াম ওইরমগনি? খা-ৱাং, নোংপোক-নোংচুপ, মণিপুর পূম্বগী অমত্তা ঙাইরবা খ্বাইদগী চাউরবা কৈথেলনি। কৈথেলসিনা থোঙ লোন্দুনা লৈরক্লিবসি মণিপুর পূম্বসিগী মাঙজবনি। কোরোনা লায়নানা লাকখিবদগী পোৎফম ফম্ফম খঙলক্তনা, শেন্থোক-লম্বেল লৈরক্তনা, লেল্লক্লিবা মণিপুরগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ইমা-ইবেলশিংসি ৱারম্লগনি। মখোয়গী শিনফমসিগী মরমদসু খন্ননীংঙাই ওই। ইমা-ইবেলশিংগী শিনফম ককখ্রিবসি নুপাশিংদা থোকপা ওইরম্লবদি নহান্না ফরক থীনা তানরম্লনি।

কুমসি চহীসিনা হৌরকত্রিঙৈ মমাঙ চহীগী লোইরমদাইদগী হৌনা, মালেম পূম্বগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎসি শন্দোকপা হৌরকখ্রবনি। লায়নাসি থোক্লকখিবা মতুং ইকুই-কুইদনা, মণিপুরদসু অদুম্মক য়ৌরকখ্রে। লায়নাসিগী চৈথেং ফংলকখিবা মতমদুদগী হৌনা মণিপুরগী ফার্মর ইচিন-ইনাওশিংগী পোত্থোকশিং, মহৈ-মরোং, মরূ-মরাং অমদি এঙ্খাং-নাপিশিং পূন্নমক য়োনফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্নদুনা লাকখিবনি। ঙসিসু অৱাবদু কোকপা লৈত্রি। মনা-মশিং থাবা কাঙবুশিংনা কোবী-হঙ্গাম, মরোই-মরাং, খামেন অশিনবনচিংবা ফার্মগী পোত্থোক কয়ামরুম য়োনফম লৈতবদগীককঙাওনখি। ওক-য়েন লোয়বা, ঙা য়োকপা কাঙবুশিংনা মচিঞ্জাক ফংদবগী ৱানরিঙৈ চৈরক্তা, মশাশিং ওইনা য়োনগে হায়রগসু য়োনফম লৈতবগী অৱাবশিং মায়োক্নদুনা লাকখি। ফার্মরশিংনা লোয়রিবা য়েন, ঙানু, ওক অমদি ঙা, মখোয়না চানবগীদমক লোয়বা নত্তে। শীনফমসিনা মখোয়গীদি পুন্সিনি, মখোয়গী পুন্সিগী হিংনবা লম্বীনি। য়োনফম লৈশিল্লকত্রবদা, পুথোক্লুরিবা পোত্থোকশিংগী কান্নবনা করিনো? সিনি, মণিপুরগী ইচিন-ইনাও, লৌমী (ফার্মর) শিংগী মরাইবক্তা তম্লল্লিবসি। হীরমসিদা মণিপুর লৈঙাক্না মতেং খরদংদা ওইরসু পাংহন্নীংই। পত্তুনা মহী চেল্লগদবা উ-মোরোকশিং, খোংবান্দা হৈথবা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈতে? লৈবীনীংঙাই লৈত্রবা কোবি-হঙ্গাম পান্বীশিংনা পৎশিন-কংশিল্লক্লবদা ষণদা পীজথোকপা নত্তনা করি পাম্বৈ লৈগনি? অৱাবা পূম্বগী তুংনফম, ওইরকখি লমদমসিগী লৌমী (ফার্মর) ইচিন-ইনাওশিংগী মরাইবক্তা। খন্থরুবদা মখোয়দৌ থিৎনা শাওনীংলমগনি। অদুবু, কনাদদি তাইনরুগনি, মরাইবক্কীনি খন্দোকপা তারকপনি। কোভিদ-১৯না লমদমসিদা লাকঙৈদগী মণিপুরগী লৌমী (ফার্মর) শিংগী মরাইবক, থাশিগী অমম্বা অহিং লিশীং-লিশীংনা কূপশিনখিবগুম মমখ্রে। লোইবা-খম্বা নাইদবা অমম্বগী অমম্বমক্তা ঙাইখ্রে। কৈদৌঙৈনো, রাহ্না থাদোক্লবা থাজগী মায়থোঙগুম, মণিপুরগী লৌমী (ফার্মর) ইচিন-ইনাওশিংগী মায়থোঙদা তরং-তরং অমুক্তং ঙানগদৌরিসি? কোরোনানা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎখিগদৌবা নুমিৎসি খঙদ্রিবনিনা, মণিপুরগী লৌমী (ফার্মর) ইচিন-ইনাওশিং ঙাইমিন্নখিবা তাবনি।

লৈঙাক্কী থবক তৌহৌবা ইচিন-ইনাওশিংগী থাগী খূৎশুমলদি তীল তাদে। খজিক-খরাক থেংথ-কোন্থবনচিংবা হায়দুনা অমনি। ফংবগীদি শোয়দে, নোংমা অদুম্মক ফংই। কোরোনাগী মতমসিদা মণিপুরগী লৌমী (ফার্মর) ইচিন-ইনাওশিংগী মাঙখি-কংখিবা মহৈ-মরোংশিং অমদি এঙ্খাং-নাপিশিংগী মমলদি নোংমতসু হঞ্জিল্লকপা লৈখিদ্রবনি। পাঙ্গল তেকপা মখৈ কোইজখিবা, পৎ-পুমদুনা মাঙখ্রবা ফার্মগী মহৈ-মরোংশিংদু উরুরগা মিৎলুগী পিরাং ফাওবা ঈহৌরকপা য়াওনরি। পোত্থোকশিংসিগী লেম্না মাঙখ্রবা মমলশিংদুগী মরমদদি ঙসিগী খুন্নাইসিদা খঙবীবা কনাসু য়াওদ্রবনি। সিনি মণিপুরগী ফার্মশিংগী মরাইবক। মশাগী মপোৎ-মরলশিং মাঙজরিঙৈগী মথক্তা অমুক্কসু কোরোনা লায়নানা তান্ন-তান্নদুনা নাহনবীরি। মরক-মরক্তা অমুক-অমুক অসুম্না খল্লকপসু য়াওদবা নত্তে, 'সিবু পোকহৈদবা মপোক হায়বদু ওইরিদ্রা'? মহৌশা লাইরেম্বীগী খুদোল, নোংজু-নুংশানা কল্লক্লবসু - পাখৎপা ফাওই। মায়কৈ খঙদা হুম্বা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎনা কন্না হুল্লক্লবসু - তূমিন্না তূমদুনা লৈথোকপা খক ঙমদে। অসুক ৱানা কোইজরকপা ফার্মগী মহৈ-মরোংশিংনা অরেম্বদা পৎ-পুমদুনা মাঙখ্রবদা, থম্মোয় শোক্লোইদবা অমদি নীংঙমদবা পোক্লোইদবা ইরমদমসিগী ফার্মরশিংবু লৈরমগদ্রা? হংনরিবা ৱাহংনি। মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাদি খঙদে, ইন্দিয়া লৈঙাক্নদি লৌমী-শিন্মী অমদি খূৎনা শূজরগা শেল তাঞ্জবা, খূৎশুমলনা হিংজরিবা কাঙবুশিংগীদমক, শেঞ্জাও পায়বা, শেঞ্জাও তানবা কাঙবুশিংদগী টেক্সশিং খোমগৎলিবনি হায়খিবনি। অদুবু, অসিগুম্বা তানফমসিদদি লৌমী (ফার্মর) শিংগীদমক লেপ্পীনবা কনাসু লৈতবগুম তৌই। ইন্দিয়া লৈঙাক্কীসু অদু মঙাই, লৈবাকসিগী লৌমীশিংগীদমক ফনবা পুথোক্লুবা বিলনি হায়রগা, ইন্দিয়া পূম্বগী লৌমীশিংনা শেঞ্জাও পায়বা কাঙবুশিংদা য়াইফনবা য়াৎপা থৌরাং ওইরম্লে হায়দুনা কন্না শাউন-লাঙনরি। লুদা লুশিল্লক্লবদি ফীভমশিংসি চপ হেক্তা মান্নরম্মী। মণিপুরদসু লাউনরি, লৌমীশিংগী মথৌ তাবা হারশিং চহী খুদিংগী মতম চানা অমুক্তা ফংহনবীদে হায়না। অসিগুম্বা ফীভমশিংসিদবু, লমদমসিগী লৌমী (ফার্মর) শিংনা নুংঙাইগদৌরিসি কদায়দনো? লৌমীশিংনা পুথোকপা পোত্থোকশিং য়োনফম লৈতবা হায়বসিদগী হেন্না থম্মোয় শোকপা ফীভম অমমুক লৌমীশিংনা অমুক হন্না থেংনগনি থাজদে।

মণিপুরদা কোরোনাভাইরস লায়নানা লান্দাশিল্লকপদগী, মণিপুরগী লৌমী (ফার্মর) শিংনা মশাগী ফার্মগী মনা-মশিংশিং য়োনফম খঙদবগী ৱানরিবনি। অৱাবসি কোকহন্নীংই। থৌদৌসি লৈঙাক্না লমদমসিদা, কোভিদ-১৯ মহীক শন্দোক্লক্তনবা হোৎনবদা, থা কয়ামরুম নন-ষ্টোপতা লোকদাউন লাউথোক্লুবদুগী মহয়নি। ওইরিবা ফীভমসি মণিপুর লৈঙাক্না অমুক্তং চেকশিন্না য়েংশিনহন্নীংই। হীরমসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু অয়াবা মতেং পাংহন্নীংই। থৌদৌসি মালেম পূম্বগী ওইরগসু, কোরোনা ঙাকথোক্নবগী এস ও পিশিং ঙাকহল্লগা মনা-মশিংশিং, লৌমী (ফার্মর) ইচিন-ইনাওশিংগী মখূত্তগী য়ারিবমখৈ থুনা থাদোকহল্লম্লবদি ফরমগদবনি। হৌজিকসুনি, পূন্নমকসি য়াইফনবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না লম্বী অমত্তং শীনবীরবদি অসুক্কী মতিক নুংঙাইজগনি। কোল্ড ষ্টোরেজগী খুদোংচাবা লৈতবা লমদমসিদা, মনা-মশিংগী পোত্থোকশিং লৌমী (ফার্মর) ইচিন-ইনাওশিংগী মখূত্তা কুইনা লৈশিল্লকপগী মাঙজবসি অমুক হন্না মখা তানা থোকহনবীদনবা মণিপুর লৈঙাক্না ৱাখল অমত্তং থাদহন্নীংই। ●